# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 06-06-2026)**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংগী চিংনবা মফমশিংদা মখা তানা থিবা হুম্বগী থবক চথুরি।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা ঙরাং ককচিং জিলাগী মনুং চনবা ৱাবগাই থিঙেল লৈকাইদগী লালহৌবা অমা ফাখি। মহাক খুৎশু খুৎলায় য়োন্থোক য়োনশিন তৌবা মীওইনি হায়রি। নুমিৎ অসিমক্তদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমশাং মখা লৈকাইদগী লালহৌবা অমসু ফাখি।

হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা তেংনৌপল জিলাগী মোরে পুলিস ষ্টেসননা কোনবা বোডর পিল্লর নম্বর আইতিৱানদগী লালহৌবা অনি ফাখি। নুমিৎ অসিমক্তদা ককচিং জিলাগী মনুং চনবা পল্লেনদগী চান্দেল ফাওবগী লম্বীদা লৈবা পাইওনিয়ার স্কুল মনাক্তগী তোবেকোগী পোৎলমশিং পুদুনা লাকপা গাড়ি অমা ফাগৎখি। গাড়ি অদু থৌবাল জিলাগী মনুং চন্না লৈবা লিলোং উকুদগী মীওই অমনা থোরকপনি।

অমরোমদা, মশক খঙদবা মীওইশিংনা ঙরাং কৈথেলমানবী পুলিস ষ্টেসননা কোনবা লোইবোল খুল্লেন ভিলেজগী য়ুমশিংদা নোংমৈ কাপশিনখ্রে। থৌদোক অদুদা নোংমৈ মরুনা পানবদগী মীওই অহুম লৈখিদ্রে। থৌদোক অদুদা য়ুম তরেৎ য়াওনা গাড়ি কয়া অমাং অতা থোকহনখি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা মফমশিংদা চেন্নবা মীওইশিং ফানবগীদমক থিবা হুম্বগী থবক চথুবা হৌখ্রে।

**খেমচান্দ (এল)ঃ** মনিপুরগী রাজ্য সভা মীখলগী ওইনা বি.জে.পিগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট-অধিকারিময়ুম সরদা দেবীবু মীরেপ ওইনা খল্লকপগা মরী লৈননা মুখ্য

মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা লুচিংদুনা হকথেংননা অমসুং ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা এন.দি.এগী এম.এল.এশিংগী ওইবা মীফম অমা ঙরাং মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোলদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-মহাকপু মীখল অসিগীদমক মীরেপ ওইনা খল্লকপদা দলগী মীহুৎশিংনা অমত্তা ওইনা শৌগৎপগা লোয়ননা মসিনা দল অসিগী ওইবা অপুনবগী শক্তি, গনতন্ত্রগী চৎন-কাঙলোনশিং মপুং ফানা ঙাকপা অমসুং নুপীশিংদা অহেনবা শক্তি পীবদা অমত্তা ওইন লেপলি হায়বদু ময়েক শেংনা তাক্লি।

**বোম(এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী তেন্থা খুনৌদা লৈবা তেন্থা গ্রাম পঞ্চায়ট এদমিনিষ্ট্রেটিব কমিতিগী চেয়াপার্সনগী য়ুমদা ঙরাং নুমিদাং পুং ১০ মখায়রোম তাবা অদুৱাইদা মশক খঙদবা মীওইশিংনা বোম লংশিন্দুনা পোকখায়হনখ্রে। থৌদোক অদুদা অশোক অপন য়াওবগী পাউ লৈতে। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা খোংজোম পুলিসনা কেস অমা লৌখৎতুনা থিজিনবা হৌখ্রে।

**ডে (এল)ঃ** ৱার্ল্ড হনভাইরোনমেন্ট ডে ২০২৬ কী শরুক অমা ওইনা এক পের মা কে নাম থ্রি পোইন্ট জিরো কেম্পেইন ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লৌশাংখোং কম্মুনিতি হোলদা প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জারভেটর ওফ ফোরেষ্ট, হেদ ওফ ফোরেষ্ট পোষ্টকী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি-অনুরাখ ভাজপায়না হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী ভাজপায়না হায়-মালেম ইমানা ঐখোয়বু য়োকপীবগী ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা কেম্পেইন অসি পায়খৎপনি। তুংগী মীরোলগীদমক অকোইবগী ফিভম ঙাক শেন্দুনা থম্বা হায়বসি য়ামমক তঙাইফদে। থৌরমদুদা লৌশাংখোং নোংদ্রেন পাখংবা লাইবুংগী অকোইবদা উ চারা কয়া থাখি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা ইমান্যুয়েল বেপটিস চর্চকী নহাশিংনা

তমেংলোংগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালগী অকোইবদা লম-তু শেংখ্রে। থৌরম অদুদা চর্চ অসিগী পাস্তর রেভরেন্ট-অগুইমৈ পামৈনা ঐখোয়গী অকোইবগী ফিভম লুনা-নান্না থমদুনা জিলা অসিবু লু-নানবা মফম অমা ওইহন্নবা আপিল তৌখি।

**নোনে (এল)ঃ** ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্টকী শরুক অমা ওইনা এক পের মা কে নাম কেম্পেইনগী মখাদা উ চারা থাবগী থৌরম অমা ঙরাং নোনে দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বাটরকী লোংমাই পার্ট ৱানদা লৈবা দি.সি. ওফিসকী অনৌবা বিল্ডিং কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা খৌপুম, নুঙবা অমসুং নোনে অকোইবা মফমশিংদা উ চারা লিশিং ১৪ রোম হেন্না থাখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ইষ্ট, ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ব্রান্স, দিপার্টমেন্ট ওফ ভোকেস্নেল এন্দ স্কিল দিবলপমেন্ট মনিপুর য়ুনিভরসিতি অমসুং সোসিএল য়ুথ য়ুনাইটেদ ক্লব-উচেক্কোন খুনৌনা খুৎশমা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্টকী থৌরম ঙরাং পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা উ চারা কয়াসু থাখি।

**লোইশঙ (এল)ঃ** ফ্যুচর দিবলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন হায়না মিংথোনবা সন শক্তি এন্দ নেচরেল প্রাইবেট লিমিটেদকী মশা লোইশঙ অমা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী নাউরেমথোংদা হাংদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা সন শক্তি এন্দ নেচরেল ইনর্জি প্রাইবেট লিমিটেদ, নোর্থ ইষ্টকী মার্কেটিং প্রোজেক্ট দিরেক্তর-এল. ধানচন্দ্রনা হায়-য়ুমথোং খুদিংদা সোল্লর ইনর্জিগী মতেংনা মৈ শিজিন্নদুনা টেক্স ফ্রি ওইবা লমদম অমা ওইহল্লসি হায়বা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী পান্দম অসিগী মখাদা ওর্গনাইজেসন অসি হাংদোকপনি। কম্পানি অসিগী মখাদা সোল্লর ৱাটর পম্প, সোল্লর ষ্ট্রিট লেম্প, পি.পি. মোদেল ওইনা নুমিৎকী মঙালদগী পৱার শিজিন্নদুনা ইলেক্ট্রিক্ট ভেহিকল

চার্জিং পোইন্টশিং থম্বগী খুদোংচাবা ফংহনগনি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ইনর্জি সেক্তরগী লমদা মীপাল তাংদবা হায়বসিদা অখন্নবা মীৎয়েং থম্বগা লোয়ননা মালেম অসিনা গ্রীন ফ্যুচরগী মায়কৈদগী চংশিল্লকপা অসিদা ইকোনোমিক গ্রোথ অমসুং ইকোলোজিকেল প্রিজারভেসনগী মরক্তা মান্নবা খল থমদুনা ভারতনা মাংজিল থারি।

গুজরাটকী সুরটতা ঙরাং লুপা কোতি লিশিং ১৮ হেনবগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গারবা মতুং মীয়ামগী ওইবা থৌরম অমদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসিগী অপুনবা রিনুয্যয়েবল ইনর্জি কেপাসিতি গীগাৱার্ট ২৫০ গী মনুংদা গুজরাট খক্তনা গীগাৱার্ট ৫০ পুথোক্লি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ইনর্জি সেল্ফ রিলাইন্স ফংনবা হোৎনবদা খ্বাইদগী মরুওইবা শরুক অমা ওইরিবা সোল্লর ইনর্জিদগী গ্রীন হাইদ্রোজেন অমসুং গ্রীন এমোনিয়াদা ওন্থোকপদা রাজ্য অসিনা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

তুংদা, য়ুনিয়ন টেরিটোরি-দামনদা লুপা কোতি লিশিং ২,৯৭০ হেনবগী চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গারবা মতুং পাঙথোকপা মীয়ামগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-মালেমগী ওইনা ইকোনোমি খ্বাইদগী লৈবাকশিংগী মনুংদা ভারতসু অমা ওইরি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

রাজ্যগী থাক্তা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্টকী থৌরম পাঙথোকখিবা, কাংপোকপী জিলাগী লোইবোল খুল্লেন ভিলেজতা শকখঙদবশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা মীওই অহুম লৈখিদবগী পাউশিংনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

সনা লৈবাক পাউচেদা-লোইবোল ভিলেজ চীফ, মাগী মীরোনবী নুপী

য়াওনা, অহুম শকখঙদবশিংগী এট্টেক্তা লৈখিদ্রে। সি.এম, দিপ্যুতি সি.এম. য়াওনা মায়কৈ কয়াদগী অকনবা মওংদা কন্দেম তৌনরক্লি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক, পিপলস ক্রোনিকল, পোক ফমদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

উ পান্থীনা ঈশিংনি, ঈশিংনা মীওইবগী পুন্সিনি হায়না গৃহ মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডে পালন থৌরমদা ফোংদোকখিবা ৱাফম সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

জন ১৮ থৌরমগীদমক অমুকো অমদি য়ু.সি.এমনা শেম শাবা লোইরে হায়বা পাউ অমসু সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

পোকফম পাউচেদা-নুপীশিংগীদমক্তা লুপা কোতি ৩৫০ কায়থোক্লিবা অসি বি.জে.পিগী ৱাকর খক্তগী নত্তে হায়না হান্নগী দিপ্যুতি চীফ মিনিস্তর-য়ুমাম জয়কুমারনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডে নুমিৎ পালনগা মরী লৈননা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা লুংদিনা উ চারা কয়া থাখ্রে হায়বা পাউ মনিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা লৈবাক অসিগী ঙাকশেলগী ফিভমগী মতাংদা সি.আর.পি.এফকী দাইরেক্তর জেনরেল-গ্যানেন্দ্র প্রতাব সিংহগা উন্নদুনা মীফম পাঙথোকখিবগী পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ইন্টরনেসনেল বোর্ডর ঙাকপগী অহোবশিং লৈহন্দনবা কেন্দ্র সরকারনা হোৎনরি হায়না গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা ফোংদোকখিবা ৱাফম হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

চীংগী জিলাশিংদা ফোংবা পাউচে-গানফিয়ু মেলদা কাংপোকপী জিলাগী লোইবোল খুল্লেন ভিলেজতা শকখঙদবশিংনা এটেক চথরকপদা মীওই অহুম লৈখিদ্রে, য়ুম তরেৎলোম মৈনা তুমা চাকখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন

তৌরি। পাউচে অসিদা নেসনেল তোবেকো সেন্টর প্রোগ্রাম, দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি তমেংলোংনা শিনদুনা অন মাক্সকিং দা আপিল: কাউন্টরিং নিকোতিন এন্দ তোবোকো এদিক্সন হায়বা হীরমদা ৱাৰ্ল্ড নো তোবোকো ডে ২০২৬ পাঙথোকখিবগী পাউ অহানবা লামাইদা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা-ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেগা মরী লৈননা তমেংলোং ফোরেষ্ট দিভিজননা শিনদুনা তমেংলোং, তৌসেম অমসুং তামৈনা উ চারা কয়া থাখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।